থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ৪৩শুবা খা-মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল

মেরা থাগী থানিল (পুর্নিমা নুমিৎ) অসি নুংশি-নুংওন-ৱাখলদা তাউরিবা শাবি-শানৌ পাখঙ-লৈশাশিংগীদমক্তিঃ পোত্থাফম-খঙদা-নুংওনহনবা থানি হায়নৈ। মেরা থাগী থাবল অমদি শনারৈ-অশৈবা (কবি) শিংগী মফমদা অখন্নবা মফম লৈ। চহী চূপ্পা থোক্লিবা থাজগী থাবল-মেরা থাদনা থোইনা হেন্না শোন্নরিবা করিগী? মরম অমা লৈরব'নি। শুগায়না তাকহনবীরনু। অদুবু, মণিপুরগী থিয়েটর-তাইবংদা শিন-লাঙলিবা শিন্মীশিংগী মফমদদি - মেরা থাগী থানিল - নুমিৎ অতৈ অমা নীংশিংলম্লোই - লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী মপোক নুমিৎ, 'খা-মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল' নত্তনা।

মান্নি! মণিপুরগী খা মায়কৈ ঙাক্তুনা, চাং নাইনা, অমুক্তসু লেপ্পা তৌদনা পাঙথোক্লিবা দ্রামা ফাংনবা, অথোয় অহেন লেপ্নবগী মওংদা পাঙথোক্লিবা দ্রামা ফেষ্টিবেল অমনি - খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল। হন্দক্কী পন্দুপ অসিনা ৪৩রকশুবনি। ঙল্লিঙৈ মতম, ফেষ্টিবেল অসি হৌরকপদা খা-মায়কৈগী, রুরেল থিয়েটর ওর্গনাইজেসনশিংতগী ওইবা ফেষ্টিবেল অমা ওইরম্লবসু হৌজিক্তি মণিপুর পূম্বগী ওইবা থিয়েটর ফেষ্টিবেল অমগী শক্লোন লৌরক্লে। হন্দক্কী ফেষ্টিবেল অসিদসু মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী থিয়েটর ওর্গনাইজেসন ১৪না শরুক য়ারি।

হৌদোকপা নুমিৎ, ওক্টোবর ১৩, নোংমাইজিং নুমিৎ, ফেষ্টিবেল অসিগী থৌবু ওইরিবা, লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী 'চীংগী ঙাই' - এগজিবিসন শো ওইনা উৎখি। কম্পিটিটিব ফেষ্টিবেল অসিগী শৈহৌ'দি সলাই শক্তম লাংবা কাঙলূপ, হাওবম মরক্কী 'নাচোম লৈ' না হৌদোকখি। বিমোলচন্দ্র মঙাংচানা ইবা, কোঞ্জেংবম শ্যামকিশ্বরনা দিরেক্সন পীবা লীলা অসি নুপী ওইবীগী লৈতেং ওইবা নাচোম-লৈ'গা পুন্সিগা চাংদম্নদুনা শেমগৎপা লীলা অমনি। ওক্টোবর ১৭কী অহানবা শো ওইনা উৎখি। ফেষ্টিবেল অসিগী অনীশুবা দ্রামা 'মৈরী' - অথোকপম তোমচৌনা ইবনি, তখেল্লম্বম রাজেন'না দিরেক্সন পী। খুঙ্গংগী ইমুং অনীগী মরক্তা থোকপা ৱাথোক অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎপা লীলানি। অচম্বা পান্থে শীজিন্নদুনা অয়েংবশিংদা কম্যুনিকেট তৌনবা হোৎনবনি হায়না দিরেক্টর মশানা হায়জরগসু - কম্যুনিকেসন অদু ইফেক্টিব ওইবরা? হংনীংই।

অনীশুবা নুমিৎকী অহানবা শো-ইক্লিপস থিয়েটর, কোঞ্জেং লৈকায়গী 'ফংহৌদ্রবা এক্স-গ্রেসিয়া' - য়ূম্নাম মনিমোহন'না ইবনি। নৌরিবা অইবনি, অনৌবা ইস্যু পুথোক্তে, ত্রেদিসনগী খুনাম মাবনি। ডোক্তর ওইরিবা ডোক্তর সনসম ইবোতোম্বীসু অদু মঙায়। চৎনরিবা লীক্লমসিদগী নাথৈবা পান্বা দ্রামা দিরেক্টরশিংদুগী মনুং চন্দে। ইক্লিপস থিয়েটর-লীরবা লূপ অমনি। খরা সিরিয়স ওইবা এপ্রোচ অমগা লোয়ননা লীলা তৌহন্নীংই।

নীনি চনবা নুমিৎকী অনীশুবা লীলা - পাখঙবা থিয়েটর, ঙাইরাংবমগী 'আইস-ক্রিম' উৎখি। মমিং লৈরবা অইবা জি সী তোংব্রাগী মমীং চৎলবা দ্রামানি। তোঙান তোঙানবা দিরেক্টরনা তোঙান তোঙানবা খূৎপুথোক্তা পুথোক্লখ্রে। পাখঙবা থিয়েটরগী দিরেক্টর কায়েন কেপ্তেন'নসু মমাঙদা হান্না পুথোকখ্রে। কেপ্তেন'না য়াম্না পামজবা লীলানি। চা-য়োনবা লেবর অমা ওইনা লাক্লগা লমদমসিগী শূব-নোম্বা তনবা য়েলহৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন (ইকোনোমি) পায়শিনখিবদু ফাগি তৌনা তৌনা ফোঙদোক্লবা হোৎনবনি।

তারিখ ১৯/১০/২০১৯, শিব যাত্রা কম দ্রামা এসোসিয়েসন, হৈরাঙ্গোইথোং ওইনাম লৈকায়গী 'ইচানি' উৎখি। ক্ষেত্রিময়ূম সোমোরেন্দ্রো সিংহ'না ইবা, দিরেক্সনসু তৌবা লীলা অসি অঙাংবু শিন্মী ওইনা শীজিন্নবা, চাইল্ড লেবরগী ইস্যুদা য়ূম্ফম ওইবা লীলানি।

নুমিৎসিগী অনীশুবা লীলা 'কৃষ্ণনন্দ' - ক্ষেত্রিময়ূম সোমোরেন্দ্রো'না ইবা, এন মোনালিশা'না দিরেক্সন পীবনি। মোদর্নিটি অমদি মিথোলোজি অনী তোৎশিন্নদুনা ইবা অমদি শেমগৎপা লীলা মখল অমনি -'কৃষ্ণনন্দ'।


মরিনি চনবা নুমিৎকী অহানবা শো, ফেষ্টিবেল অসিদা থোইদোকপা মফম অমা কনবা ঙল্লবা খাগেম্পল্লি হুইদ্রোম লৈকায়, য়ূমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী, মনি য়ূম্নাম'না ইবা, এল শ্যামকিশ্বর'না দিরেক্সন পীবা 'কনাগীদমক' হায়না মিংথোনবা দ্রামা অসিনি। লমচৎ-কাম্বা মবাই অমদি মাগী নুপী মপামগী ইকায়খুম্নবা কন্নবা কৈশুমশঙদা মিয়াৎ লেল্লুরগা, মমোম থাজমানবীগী খোঙ্গুল লীরকখিবা 'মঙাল' গী ৱারীনি।

লীলা ফাংনবা অসিগী নিপানশুবা প্লে 'খোঙ্গুল লীবা' - ময়ায় লম্বী দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী 'খোঙ্গুল লীবা' - লীলা ইবী অমা ওইনা নৌনা খোঙদারক্লিবী গুরু অরিবম ঘনপ্রিয়া' গী অহানবা খূৎথানি। লাইশ্রম শরত'না দিরেক্সন পীবনি। চহী খরগী মমাঙদা থোকখিবা নাগা-কুকি অনীগী মরক্তা থোকখিবা মীহাৎ-মীপূন, কাঙলূপকী ঈরাং অদুদা য়ূম্ফম ওইবা লীলানি। চকপীকারোং খুন'দা য়ূম্ফম ওইবা, মীতৈ পাখং থৌঙম্বা কৌবা অমনা, মহাক্কী চান্নবী অনাল নিংঙোল অমগী খোঙ্গুল লীনবা 'মেদিকেল কেম্প' অমা হাংলুবা, কেম্প'তুনা মরম ওইদুনা কাঙলূপ অনী চান্নরকখিবগী ৱারীনি।

ফেষ্টিবেল অসিদা পূন্না লীলা তরামরি'না অথোয় অহেন তান্নরি।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# ফেরিঞ্জাইটিসকী মরমদা খঙজিনগদবা খরা




ফেরিঞ্জাইটিস হায়বসি খনাউদা য়াওবা ফেরিঙ্কসতা ইনফ্লেমেসন তৌবা অদুবুনি। ইনফ্লেমেসন তৌবা অসিনা খনাউদা নুংঙাইতবা, খৌগঙনবা অমদি তিল য়োৎপদা নুংঙাইতবা থোকহল্লি। ফেরিঞ্জাইটিস নাহনবগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা ভাইরেল ইনফেক্সন খুদম ওইনা লোক থুংবা অমদি বেক্টিরিএল ইনফেক্সনশিং খুদম ওইনা গ্রুপ এ ষ্ট্রেপটোকোকসনচিংবসু য়াওরি। অতৈ মরমশিংসু লৈরি।

ফেরিঞ্জাইটিস অসি য়াম্নদি তোয়না নাগনবা লায়নানি অদুবু কা হেন্নদি কিনিংঙাই ওইদে। ভাইরেল ফেরিঞ্জাইটিসতি চয়োল অমগুম্বগী মনুংদা মথন্নতা ফজ খি। নাহল্লকপগী মরম খঙলগদি লায়েংবদা খুদোং চাহল্লি। ফেরিঞ্জাইটিস নাহল্লকপগী মরম, করম্না শনে দাকপগে, লাইওংশিংনা করিনো, মসিগা মান্নবা অতোপ্পা লায়নাশিং, য়ূমদা তৌজবা য়াবশিং অমদি করম্না মসিদগী ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা নৈনমিন্নসি।

**নাহল্লকপগী মরমশিং:**

ফেরিঞ্জাইটিস নাহল্লকপগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা মরমসি ভাইরেল ইনফেক্সননি। ফেরিঞ্জাইটিস নাহনবা ভাইরস খরদি:

- কম্মন কোল্ড নাহল্লিবা রাইনোভাইরস, কোরোনাভাইরস, নৎত্রগনা পেরাইনফ্লুএঞ্জা
- মীৎ ঙাঙবী লায়না হায়রগসু খঙনবা কঞ্জংটিভাইটিস অমদি লোক থুংবগী লায়না থোকহনবা কোল্ডাদিনোভাইরস
- ইনফ্লুএঞ্জা নৎত্রগনা ফ্লূ
- মোনোন্যুক্লিওসিস নাহনবা ইপ্সটিন-বার ভাইরস

মোনোন্যুক্লিওসিস নৎত্রগনা মোনো হায়রিবা লায়না অসি লৌনগনবা ভাইরেল ইনফেক্সন অমনি, মসিনা ফ্লূগা মান্নবা লাইওং কয়ামরুম লাকহল্লি। লায়না অসিগী ভাইরসশিং কোল-লীক পূনবা, লোক খূবা অমদি হাকথি খনবা নৎত্রগনা তিলদগী শন্দোকই। মসিবু কিসিং দিজিজ হায়নসু খঙনৈ, ইনখৎলকপা অঙাং অমদি নহাশিংদনা অয়াম্বা নাগল্লি।

য়াম্না তোয়না থেংনবা নৎত্রগসু বেক্টিরিএল ইনফেক্সন্নসু ফেরিঞ্জাইটিস নাহল্লি। অঙাংশিংদা ফেরিঞ্জাইটিস নাবদা চাদা ২০-৪০ দি গ্রুপ এ ষ্ট্রেপ্টোকোকস বেক্টিরিয়ানা থোকহল্লি। লাইনা অসিবু ষ্ট্রেপ থ্রোট হায়নসু খঙনৈ। গ্রুপ সি এন্দ জি ষ্ট্রেপ্টোকোকস, ক্লামিদিয়া, গোনোরিয়া অমদি মাইকোপ্লাজমা ন্যুমোনিয়ানচিংবা বেক্টিরিএল ইনফেক্সনশিংনসু ফেরিঞ্জাইটিস নাহল্লি।

এলর্জি তৌগনবা, সাইনস ইনফেক্সন তৌগনবা অমদি মৈখু শীজিন্নবনা ফেরিঞ্জাইটিসকী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

**শন্দোকপগী মওং:**

ভাইরেল অমদি বেক্টিরিএল ফেরিঞ্জাইটিস মখল অনীমক লৌনগল্লি। লায়না অসি থোকহনবা মহিকশিং অসি খনাউ অমদি নাতোন মনুংদা লৈ। ফেরিঞ্জাইটিস নারিবা মীওই অমনা হাকথি খনবা নৎত্রগনা লোক খূবদা মহীক য়াওবা ঈরিক মচা-মচা পায়থোরক্তুনা নুংশিৎতা য়াওদুনা লৈহৌই। অসিগুম্বা ঈরিকশিং অসি অতোপ্পা মীওই অমনা হোঞ্জিনখিবা মতমদা মীওই অদুদসু লায়না অসি নাহল্লকই। মহীক পকপা পোৎ-চৈদা পায়রুরগা মায়দা অমুক পায়বা, মহীক পকপা চীঞ্জাকশিং চাশিল্লুবদগীসু লায়না অসি শন্দোকই। মরম অসিনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং শেল্লমদাই অমদি মায়দা পায়রমদাইদা খূৎ-শা শেংনা হামদোক্কদবনি।

**লাইওংশিং:**

ফেরিঞ্জাইটিসকী মরুওইবা লাইওংদি খনাউ চাথৎপা-নাবা, কংবা, নৎত্রগনা মরেং-মরেং চৎপনি। ইনফেক্সন থোকহনবগী মরম খেন্নবগী মতুংইন্না অতোপ্পা লাইওংশিংসু য়াওরকপা য়াই।

ভাইরেল ফেরিঞ্জাইটিসকী লাইওংশিংদি- লোক খূবা, কোক চীকপা, লাইহৌ, হকচাং থীন্দোকপা, হাকথী খনবা, নাতোন ফুনবা, মি কাবা, চোকথবা, চীন-লৈ চাথৎপা অসিনচিংবনি। মোনোন্যুক্লিওসিসকা লোয়নবা ফেরিঞ্জাইটিসকী ওইনদি পূক নাবা (মরু ওইনা য়েৎ থংবা মথক্তা), কা হেন্না চোকথবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, মি কাবানচিংবা অহেনবা লাইওংশিং উৎলকপা য়াই।

বেক্টিরিএল ফেরিঞ্জাইটিসকী লাইওংশিংদি- য়োৎশিনবদা খনাউদা য়াম্না নাবা, খনাউদা মি কাবা, খনাউগী মনীং থংবা শরুক্তা অঙৌবা মচা-মচা নৎত্রগনা নাই পকপা, টোন্সিল চাউথোকপা অমদি ঙাঙশিনবা, কোক চীকপা, পূক নাবা, চোকথবা, ওনীংবা, ওবা, রাস (ফুরি মানবা) অসিনচিংবশিংনি।

ফেরিঞ্জাইটিসকী লাইওংগা লেরিঞ্জাইটিস, টোন্সিলাইটিস, খনাউগী অলসরনচিংবশিংগী লাইওংগা মান্নবা য়াম্না য়াওই।

ফেরিঞ্জাইটিসকী লাইওংশিং নুমিৎ ১০ নিদগী হেন্না লৈরবা, চান-থক্নবা য়োৎপা ঙমদবা অমদি কা হেন্না নাবা, নীংশা হোনবা ৱাবা অমদি রাস লৈরগদি দোক্তরদা য়েংথোকপিগদবনি।

**য়ূমদা ইশানা তৌজবা য়াবশিং:**

বেক্টিরিএল ইনফেক্সনগীদি দোক্তরনা এন্টিবাইওটিক প্রিস্ক্রাইব তৌরকপা য়াই, অদুগা ভাইরেল ইনফেক্সনগীদি এন্টিবাইওটিক্কী কান্নবা ফংলোই। অদুবু এসিটামিনোফেন নৎত্রগনা আইবুপ্রোফেনগুম্বা হীদাকশিং চারগদি লাইহৌ অমসুং খনাউ নাবা ফহনবা য়াই। ইশানা তৌজবা য়াবশিংদি- মপুঙ ফানা পোত্থাবা, ঈশিং মরাং কায়না থকপা, নুংশিৎতা ঈশিং মনিল য়াওদুনা লৈনবা হ্যুমিদিফায়র শীজিন্নবা, থ্রোট লোজেঞ্জ শীজিন্নবা, থুমহীদা খৌনাউ তেংবা, ফোঙ-ফোঙ শাবা মহী-মনাইশিং থকপা কান্নগনি।

# সী এল কেনা নিংঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস): চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং থোকপা নিংঙোল চাক্কৌবগী মতম নকশিল্লকপগা ঈরোয়ননা লমদম অসিগী নিংঙোল ওইবীশিংগী মফমদা চনুরা লমচিংলেল কংলৈপাক (সী এল কে) না মাঙজৌননা য়াইফ-মঙ্গোল পীবগা লোয়ননা মবুং-মৌপ্পাশিংগা হরাও তয়াম্না চামিন-থকমিন্নবা অমদি অৱা-নুংঙাই ৱারী কয়া শানদুনা ঈং-তপ্পা চাক্কৌবগী থৌরম অসি পাঙথোকপগা লোয়ননা লমদম অসি ঈং-তপ্পা, নুংঙাই য়াইফবা ইরমদম অমা ওইহনবীনবা তেংবানবা মপুগী মফমদা থৌনিরি হায়না সী এল কেগী সেক্রেটরি জেনরেলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নিংঙোল ওইবীশিংনা খৌরাংনা ঙাইনরিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুমীৎকী মতাংদা লমদম অসিদা লৈরিবা ইবুং-ইপ্পা, অহল-লমন কয়াগী মরক্তা খেন্নবা মোত কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি অনী হায়বদি ওক্টোবর ২৯ অমদি ওক্টোবর ৩০ দনি হায়দুনা য়েৎনদুনা লৈবগা লোয়ননা চাক্কৌবগী থৌরম অসিবু অনী থোকহনবগী থৌওং অসিবুদি সী এল কেনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি।

অসিগুম্বা অনী থোকপগী থৌওং অসি লমদম অসিদা লেপ্পা লৈতনা চথুদুনা লৈবগা লোয়ননা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খঙবা হৈবা তান্নবা, কনবা তান্নবগী ফৎত্রবা চৎনবী অসি লেপ্তুনা চথুদুনা লৈরবদি করম্না লমদম অসিদা অপূনবগী শক্তম অমা শাগৎমিন্নগনি। মরী লৈনবা খুদিংমক্লা খঙজিনবীবা চুমগনি। লমদম অসিদা লৈমিন্নরিব ঈ মশেলশিং ফাওবা পুনশিন্নবা ঙমদ্রগা করম্না মীতোপকা থেংনবা ঙমগনি হায়বসি অমুক্তং খন্থবীয়ু হায়না ইবুং-ইপ্পা, অহল-লমন খুদিংমক্কী পূক্লিং চিংশিল্লি।

অমরোমদা, চহী খুদিংগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমীৎতা চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপদু হন্দক কনাগুম্বা খরনা অতম্ন না অনী থোকহন্নবা হোৎনরিবা অমদি মীয়ামবু লান্না লমজিংলিবা অসি মখা তানা তৌবীগনু। ওক্টোবর ২৯ অসি হিয়াঙ্গৈগী নোংমা অমদি নীনি অনীমক পাল্লি হায়রবসু অয়ুক্কী পুং ৬ কা মিনট ১৩ সেকেন্দ ১ দা নোংমা পানবগী মতম লোইবগা লোয়ননা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা হৌবনি। ওক্টোবর ২৯ অমদি ওক্টোবর ৩০ গী অহিং পুং ৩ মিনট ৪৭ সেকেন্দ ৪০ দা নীনি পানবগী মতম লোইবগা লোয়ননা হুম্নী পানবা হৌবনা মরম ওইদুনা অশেংবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি ওক্টোবর ২৯ দা ওইফম থোকই।

মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈবীরিবা অহল-লমন, ইবুং-ইপ্পাশিংনা অশেংবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম নুমীৎ হায়বদি ওক্টোবর ২৯ দা ওইনা চাক্কৌবীয়ু। মদু নত্তদুনা হিয়াঙ্গৈ নীনি পানবা নুমীৎতা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা শেংলবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসিবু অতোপ্পা নুমীৎ অমদা পাঙথোক্তুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী ৱাহন্থোক মাঙহনবীগনু। লোয়ননা ঈ মশেলগী মরক্তা অঙম তানবা, খঙবা হৈবা অমদি কনবা শক্লবগী থৌওং অসিনা নিংঙোল ওইবী কয়াগী থম্মোয়দা নুংঙাইতবা পোকহল্লিবা অসি য়েংবীরগা মখা তানা অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা তৌবীগনু হায়না মরী লৈনবা খুদিংমক্কী মফমদা আপিল তৌরি।

অসিগুম্বা অনী থোকপগী চৎনবী অমা লমদম অসিদা চথুরিবা অসি লৈঙাক অসিনসু মীৎয়েং চঙবীদুনা য়েৎনরিবা নাকলশিং ফমিন্নদুনা য়ানবা পুরক্লুবা হোৎনবা মতম য়ৌরে। হিরম খুদিংমক্তা অনী থোকপা অসিনা ঈ মশেলগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তান্নহন্দুনা অপূনবগী শক্তমদা কায়হল্লিবা অদু খনবীদুনা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবা মতম য়ৌরে। সী এল কেগী মায়কৈদগী নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা লমদমসিগী নিংঙোল ওইবীশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি। নিংঙোল চাক্কৌবা কুমশি চহীগী ওইনা থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোকপীয়ু। হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা পাঙথোকপা নিংঙোল চাক্কৌবা অসি নুংঙাইনা পাঙথোকমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# মাও কৈথেল ঙসি নম্বোলদা ফম্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস): মাও কৈথেল হয়েং নম্বোলদা ফম্লগনি হায়না মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা কুমজা ২০১৫দা মাও মীয়াম্বু নাগেলেন্দদা পোৎচৈ য়োনবদা অথিংবা পীবদা নত্তনা চৎথোক চৎশিন্দ অয়েৎপা পীরকখি। মাও মীয়ামগী মনা-মশিং য়োনফম লৈরক্তদুনা হিংনবগী লানফমদা অচৌবা পোৎলুম অমা পুরকপদগী লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ইপসা, পান্দম, অকোম লূপ, ইপাক, কংলামৈ, কে আই এল, সী এল কে অমদি কে এস এ) না মাও মীয়ামগীদমক লেপ্পগা লোয়ননা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী মীৎয়েং অমদি অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্নবগী ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা মাওগী লৈহাওদা পুথোকপা পোৎলমশিং ইম্ফালদা পুরক্তুনা য়োনবা হৌখি।

মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি শেম্লকখি। কম্মিটি অসিগী মীৎয়েং মখাদা লেপ্পা লৈতনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নরগা মাও কৈথেল চয়োল অমগী মনুংদা অনীরক হায়বদি লৈবাকপোকপা অমদি ইরাই নুমীৎতা হাংদোক্তুনা লাকখি। হয়েং মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি অমদি দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন লোয়ননা নম্বোল অপূনবা নুপী লূপনা পুন্না খুৎশম্নদুনা নম্বোলদা মাও কৈথেল হাংদোক্কনি। হয়েং মাও কৈথেল ফমগদৌরিবা অসিদা লমদম অসিগী ইরৈচাশিংনা লাক্তুনা মাও মীয়াম্বু তরাম্না ওকপীয়ু। মাওগী পোৎচৈশিং লৈদুনা অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্নসি। ইমোসনল ইন্টিগ্রিটি অমগা লোয়ননা ইকনমিক ইন্টিগ্রিটি শাগৎমিন্নসি। ইকনমিক ইন্টরদিপেনে দন্সিগী মরী অমা শাগৎমিন্নদুনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা ইরৈচাশিংনা মতেং পাংবীয়ু। চয়োল অমগী মনুংদা লৈবাকপোকপা অমদি ইরাই নুমীৎতা ফমদুনা লাকপা মাও কৈথেল হয়েংদি নম্বোলদা ফমগনি হায়নসু মখা তারি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ২২।১০।২০১৯ ইং, লৈবাকপোকপা, মেরাগী ২৩নি পানবা।**

মেষ : নুংঙাইবা পাউ তাগনি, লম চৎপা কান্নগনি অমদি থাজ দবা মরমদগী কান্নবা ফংগনি। ঈরাং পুরদি কাইনবগী নুংঙাইতবা নংগনি, ইচং থৌবনা লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইরোই-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ : অশাওবনদা মাঙহনবা অমদি মীপাইবা লৈগনি। লল্লোন ইতিক্তদি মায় পাক্কনি, মরুপ-মপাংগী মতেংনা মীকোক থোংগনি অমদি নচাক-নরল চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : ফিংলদি মরুপ-মপাংগা নুংঙাইনদবা লৈগনি অমদি শোকপা য়াবা লৈ। ৱাঙাও হৈবা অমদি নথক থোংবগী ৱা তাবনা য়াইফবা ওইগনি। থিবা হুম্বা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথৌ নঙগী মতম লাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কর্কট : লাইবক য়াম্না ফবা নুমিৎনি অদুনা পাংগে খনবা অফবা থবক্তি চিংনদনা খুৎচাও থানা পাংবা য়ারগনি। ৱানোম্বা কান্নগনি। মীতোপ্পদি লৌথোকনীংই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: মীকোক থোংবা য়াবা লৈ অদুনা হনবা লৈতনা হোৎনবা ফগনি, শেল-থুম য়াম্না ফংবা য়াবা লৈ অমদি নঙগী ওইবা মীনা চানগনি। খুৎচাওদি থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : মায় পাক্কনি, শেল ফংগনি, লল্লোন ঈতিক্কী লম্দা কান্নগনি অমদি নথক থোংবনা য়াম্না চানগনি। খোইরাংবনা পোত্থাফমদি খঙলোই-অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাংবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : নীংবদুমক পাংগনি-লাইবক য়াম্না লৈ ৱাগনু। নথক থোংবনা চৈবি ঙাঙবীবা য়াবদি লৈ। নচা ননাইগী লম্ অমদি লৌশিং তান্নবগী লম্দা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃশ্চিক : মীতোপ্পা ৱাহনবা অমদি খন্থদবনা কাইনবা নংবা য়াবা লৈ। হন্থবা লোয়নগনু অমদি নচাক-নরল চেকশিল্লু। ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা মাঙগদবাদগী কঞ্জগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবগী য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

ধনু : থৌনা লৈবনা অমদি হনবা লৈতনা হোৎনবনা থবক পাংগনি অমদি শেল-থুমগী থবক্তা কান্নবা ফংগনি। হেন্না অশা তৌবদি য়ারোই-মরম চানা থৌ পাংউ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংগনি, চাওনা শেন্দোং ফংগনি অমদি লাইবক থোইনা ফগনি। পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি মরুপ ফংবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : লাইবক ফগনি, ওইজ-ওইথক তানবনা চাউনা কান্নগনি অমদি য়েক্লবা মাঙখিনি। মীয়াম্না য়াবা থবক পাংবনা হেন্না মীংচৎ ফংগনি। হুদগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : নক্লবা মীগা ৱা তাবা কান্নগনি, মীরক চংলগা নুংঙাইবা হেনগনি অমদি লৈতেং ফংগনি। মরুপ-মপাংগা ৱাখল তামিন্নবদি ৱাৎকনি, ঙক কনবা য়ারোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস): নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম ব্রাইটর কেরিয়র একাদেমী স্কুল কেম্পস লম্লাইদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দি মেরুং মরিংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা নীংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী চীংলোন ৯ গী মনুংদা খুন্দামিন্নদুনা লৈরক্লিবা কাঙলুপ ফুরুপ খুদিংমক পাগী পারোল নাইনা চৎখ্রবা খুৎথাং য়ৈনা তামখ্রবা ইমা-ইপা অমত্তগী ঈগী ইচিল-ইনাও ঙাক্তনি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুং ঙরাংতমক পোকখিবা পোলিটিকেলগী পুৱারী পোক্কদবা চহী ২০০০ গী মমাঙদা পাখংবা ফম্বাল কাবদা চীংগী তমগী ফুরুপশিং য়াওখিবগী ৱারী কংলা লৈয়াৎতা সনাগী কালিনা য়েক্লি।

য়েলহৌঙৈদগী লেপ্পা লৈতনা চেন্থরকপা পুৱারীগী ঈচেলদা তাঙ্কক খরদি খুদোংথিবগী ঈরৈদা লাকহৎতুনা অৱাবা কোঙ্গাই খাংলুরে। মীরোল নাইনা মৈৱাইরুঙৈ কাওনরুরে, ৱারৌনরুরে কাঙলুপ ফুরুপশিং, ঈ মরী ওইবগী নুংশি মরী মচিল-মনাও ওইবগী কায়নবা য়ারোইদবা থম্মোয়নুংগী নুংশি ঈচেল, কুইনা তুংখুল তাল্লুবা থেংনা মীকপ থোক্লকঙৈ, ককঙাওনরকই মচিন-মনাও ওইবা ফুরুপ মশেলশিং। ঙসিদি চঙশিল্লক্লি থেংলবসু থেংনা অমেস্কোনা লেপ্পা লৈতনা চহী ২৮ চুপ্পা কুমজা ১৯৯২ দগী হৌনা ঐখোয় ফুরুপ মশেল শকখঙ মায়খঙনবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ঐখোয় মশেল অমগা অমগা পাউ ফাওদোক্লবগী থৌরম কয়া অদুগী মনুংদা লাক্লে ঙসিদি ঐখোয়গী ইচে-ইচলশিংবু নীংশিংবা নুমীৎ নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম। থা অসিগী ২৯ হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা য়ুমথোঙ য়ৈনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি অমেস্কোনসু লৈবাক মীয়ামগী ওইনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম পাঙথোক্কনি। কুমজা ২০১৮ ফাওবদা অমেস্কোনা নিংঙোল চাক্কৌখিবা মফম ১২৪ শুরে। কুমশি চহীগী ওইনসু ব্রাইটর কেরিয়র একাদেমী স্কুল লম্লাইদা পাঙথোক্লগনি। ইরমদম মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ঈগী মরীগী ইচে-ইচল ওইরিবী কাঙলুপ ফুরুপ খুদিংমক্কী নিংঙোল ওইবী ইচে-ইচল কয়াবু ঈগী লীক্লম য়েংদুনা ইচেমক্লি, ইচলমকনি খন্না কৌগদৌরিবা লৈপাক্কী ওইবা নিংঙোল চাক্কৌবনি। নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসিদা লাক্কদৌরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী ইচে-ইচল, ইমা-ইবেলশিংনা ইশা-ইশাগী নাৎকী ওইবা ফিজেৎ শেৎতুনা লাকপীয়ু। অথেনপোৎ পুরকপা মতমদা ইশা-ইশাগী য়ুমদা হৌবা খক্তমক পুবীরকউ, লৈত্রবদি পুরক্তুবসু য়াই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# 'হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা থা অসিগী ৩০ দনি'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস): কুমশি চহীগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবসি থা অসিগী ৩০ দা থোকই হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মাইবা হনবা শমচেৎশাবম কোন্দুম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমশিদি চাক্কৌবা নুমীৎ অসি মীয়ামদা চমন্নবা অমা লৈরে। লৈবাকসিদা চৎনরিবা থবাললোনগী লাইথৌশিংসিদি খুৎথেক্তা চৎনরিবনি। হন্দক্কী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা থা অসিগী ৩০ দা নিংঙোল চাক্কৌবা থোকই। মসি থাশি থানিলদা খুৎ থেক্লগা পাবা নুমীৎ অদুনি। খুৎথেক্কী নুমীৎতা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা চাক্কৌবা হৌখিবদি নোংদা লাইরেন পাখংবনা মচানুপী লাইশ্রাবু চাক্কৌখিবা নুমীৎ অদুনি। হন্দক্কী মেরা থা অসি নিংথৌকাবা নুমীৎতা থাশি ওই। য়ুমশকৈশাদা নীনি পানবা হায়বসি শোয়দে। কুমশিগী ওইনা নোংমা পানবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা চাক্কৌবা থোক্লে হায়না ইরিবশিংসিদি নিংঙোল চাক্কৌবা নত্তে। লমদম অসিগী ওইনদি তৌহৈদবা মায়োক্লরগনি। হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবা অসিদি চনৌহুইচীনতু হায়বা লাইথৌ নুমীৎ অদুনি। নুমীৎ অসিদা অতিংকোক শিদবদা কুম অমগী ফৌনচিংবা অনৌ-অপেৎ কৎলগা নীনি পানবদা মীরমলেনগী ওইবা নিংঙোলশিংবু কৌরগা পীদুনা থৌনিবনি হায়রি।

RG
RaDiant Group
Let Us Grow Together

Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

**Manpower Requirements**

**Date of Interview 23th October 2019 at 10:30am**

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume at the above given office from 10:00 am -4:00 pm

Mail us at radiantcorporatehr@gmail.com or SMS / WhatsApp us at +91-7642842266 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| Corporate | Software Developer | 0-2 yrs. | 1 | IT Graduates | 10K to 15K |
| Corporate | Sr. Software Developer | 2-5 yrs. | 1 | IT Graduates and above | 15K to 20K |
| Corporate | Driver | 2-3 yrs. | 2 | VIII Pass | 5K to 8K |
| | | | | | |
| RaDiant E-Ride (Khumbong) | Site In Charge | 0-2 yr. | 1 | Preferably exp. in driving and field work monitoring | 7K to 10K |
| RaDiant E-Ride (Khumbong | Security | 0-2 yrs. | 2 | VIII Pass | 4K to 6K |
| | | | | | |
| RaDiant Fitness | Assistant General Manager (AGM) | 2-4 yrs. | 1 | MHM or MBA | 15K to 20K |
| RaDiant Fitness | Spa Therapist | 2-4 yrs. | 1 | N/A | 7K to 10K |
| RaDiant Fitness | House Keeping | 0-1 yr. | 2 | N/A | 4K to 6K |
| | | | | | |
| Hafo Organo Valley Project | Farm Supervisor | 2-3 yrs. | 1 | Experienced in Agro Farming | Negotiable |
| | | | | | |
| RaDiant Creative Agency | Designer | 1-3yrs. | 1 | Multimedia Certified | Negotiable |
| | | | | | |
| RaDiant Builders | Office Assistant | 0-1 yr. | 1 | 10+2 and above | 5K to 8K |

HL-B/5749/19-22oct.

Sd/- Human Resource Generalist, RaDiant Group